

TransUnion CIBIL

# এমএসএমই (MSME)

# পল্স

জুন 2021

sidbi

# কোৎশিং



শ্রী সিবা সুব্রমনিয়ম রামন

চেয়রমেন &
এমদি(MD)
এসআইদিবিআই
(SIDBI)

এমএসএমই (MSME) ক্রেদিৎ দেতানা ইসিএলজিএস (ECLGS) স্কীমগী মাইপাকখিবা কয়াগী মরমদা খঙহল্লি। স্কীম অসিনা 40% ৱাই-ও-ৱাই (Y-o-Y) গ্রোথতা সেক্তরদা দিসবর্সমেন্তশিং তৌবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখি, অসুম তৌদুনা এমএসএমইশিং (MSMEs)গী মরক্তা বিজিনেসকী ৱাখল্লোন অসি নৌহৌনা পোকহল্লি। হিংগৎহনবগী খুদম-চাংদমশিং পীরিবা মরুওইবা হাইলাইৎ অসি প্রি-কোবিদকী থাকশিংদা হল্লকপা ঙমখ্রবা এনতিবি (NTB)দা ক্রেদিৎ তৌখি, অমরোমদা ইতিবি (ETB)দা ক্রেদিৎ তৌবা অসিদি অদুমক বৌয়েন্ত ওইরি। সরকারনা হন্দক্তা পাইখৎখিবা অহেনবা তেংবাং পীবগী থৌরাংশিং, মরু ওইনা হেল্থক্যের, ত্রাবেল অমসুং তুরিজম অসিনা এমএসএমই (MSME) সেক্তরদা ক্রেদিৎ ওফতেল হেনগৎহল্লবা য়ানা লৈ। এমএসএমই (MSME)শিংগী ক্রেদিৎ গ্রোথ তুংকোইনা চৎহনবগা লোইননা মাংদা চংশিনবা ওইনা লেন্দরশিংনা ক্রেদিৎ পোর্তফোলিয়োশিংগী হেল্থ লেপ্তনা মোনিতর তৌবা মথৌ তাই।



শ্রী রাজেশ কুমার

ত্রান্সয়ুনিয়ম
সিআইবিআইএল
(CIBIL)গী

এমদি (MD) অমসুং
সিইও (CEO)

“অনলোক্কী মতুংদা এমএসএমই (MSME) দা ক্রেদিৎ দিমান্দ শীংথানীংঙাই ওইনা হেনগৎলকপা অসিনা ভারতকী গ্রোথ স্তোরী অমুক হন্না উৎপা ঙমখ্রে। লুপা করোর লাখ 4.5গী শেনফমগী মখাদা ইসিএলজিএস (ECLGS) সপ্পোর্ত ফংহনবা অসিগুম্বা সরকার অমসুং রিগুলেতরীগী প্রো-গ্রোথকী থৌরাংশিং, লোনশিং রিস্ত্রকচরিং তৌবা অসিগুম্বা রিফোর্মশিং অমসুং থৌরাংশিং অসি বেঙ্কশিং & ক্রেদিৎ ইন্সতিত্যুসনশিংনা দেতা এনলাইতিক্স শীজিন্নদুনা লায়না ইমপ্লিমেন্ত তৌবা অসিনা এমএসএমই (MSME)শিংদা ঙাকশেল পীনবা লম্বী য়াৎখি। চথরিবা পোলিসীশিং অমসুং সপ্পোর্ত অসিগা লোইননা ভারতকী এমএসএমই (MSME) সেক্তর অসিনা শোইদনা কাখৎলক্কদবা ত্রেজেক্তরী অমা থল্লগনি অমসুং মসিনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী তুংগী পাঙ্গল অমসুং গ্রোথ শোইদনা লৈহল্লগনি।”

## এনলাইতিকেল কন্তেক্তশিং

### ত্রান্সয়ুনিয়ন সিআইবিআইএল (CIBIL)


বিপুল মহাজন
vipul.mahajan@transunion.com

স্মীতা বসাক
smeeta.basak@transunion.com

ওরৈস শেখ
owais.shaikh@transunion.com

কার্তিক সুন্দরম
karthik.sundaram@transunion.com


### এসাইদিবিআই (SIDBI)


রঙ্গদাস প্রভাবতি
erdav@sidbi.in

রামেশ কুমার
rameshk@sidbi.in

## কন্তেন্তশিং


| | |
|---|---|
| এগজিক্যুতিবকী মরমদা অতেনবা ৱারোল | 03 |
| এমএসএমই (MSME) লেন্দিংগী ক্রেদিৎ গ্রোথ | 05 |
| বোরোৱর মখলশিংগী ক্রেদিৎ এক্তিবিতী | 07 |
| রিজনগী ক্রেদিৎ এক্তিবিতী | 08 |
| ক্রেদিৎ পর্ফোর্মেন্স অমসুং হেল্থ চেক | 09 |
| রিস্ক প্রোফাইলদা ত্রাঞ্জিসন | 11 |
| অফবা বোরোৱরশিংগী খেন্নবা খঙদোক্নবা চৎনরিবা এলগোরিথম | 13 |
| লেন্দরনা শেম্বা লালোংশিংদা লাকপা অহোংবশিং | 16 |
| লোনশিংগী এভরেজ তিকেৎ সাইজতা লাকপা অহোংবা | 17 |
| বোর্দতা এপ্রুবেল রেৎ পীবা হেনগৎখ্রে | 18 |
| ন্যু নোর্মেল: পোস্ত-কোবিদ রেব 1গী ওরিজিনেসনশিংগী বোরোৱরগী প্রোফাইল | 22 |
| প্রি অমসুং পোস্ত-কোবিদতা ওইরিবা ক্রেদিৎকী মওং-মতৌশিং: সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক | 23 |
| প্রি অমসুং পোস্ত-কোবিদতা ওইরিবা ক্রেদিৎকী মওং-মতৌশিং: মিস পেমেন্তশিং | 24 |
| প্রি অমসুং পোস্ত-কোবিদতা ওইরিবা ক্রেদিৎকী মওং-মতৌশিং: য়ুতিলাইজেসন | 25 |
| ৱারোইশিন | 26 |

# এগজিক্যুতিবকী মরমদা অতেনবা ৱারোল

**ইসিএলজিএস (ECLGS) অমসুং এমএসএমই (MSME) সেক্তরগীদমক্তা পাইখৎপা অতৈ থৌরাংশিংনা মমাংগী চহিশিংদগী এফৱাই (FY) 2021দা এমএসএমই (MSME) সেগমেন্তদা লোনগী শেনফম কাইথবা হেন্না ৱাংখৎহনখ্রে।**

এফৱাই (FY) 2021দা লৈবাক অসিনা এমএসএমই (MSME) সেক্তরদা লুপা করোর লাখ ৯.৫ ওইগদবা লোনশিং কাইথখি; মমাংগী চহি এফৱাই (FY) 2020দা লুপা করোর 6.8 ওইখিবা অদুদগী হেন্না ৱাংখি। এফৱাই (FY) 2021দা এমএসএমই (MSME) লেন্দিংদা চাউনা হেনগৎখিবা অসি ইসিএলজিএস (ECLGS)কী আত্মনির্ভর ভারত স্কীমনা মতেং পাংখিবননি মসিনা লেন্দরশিংদা ক্রেদিৎ গরেন্তী 100% পীখি।

**জুন'21দা অনলোক তৌবনা এমএসএমই (MSME)গী ক্রেদিৎ দিমান্দ অসি অমুক হন্না চাউনা হেনগৎলকখি (ক্রেদিৎ ইনক্রেরিশিংনা ওনবা), হায়রিবা অসি এফৱাই (FY)'21গী 4th ক্বাতরদা চাউনা হেনগৎলুরবা মতুংদা 2nd ৱেবনা অমুক হন্থখি**

1st ৱেবনা মরম ওইদুনা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্রেরীশিংদা অহানবা ওইনা 76% হন্থখ্রবা মতুংদা, মখোয়না ইসিএলজিএস (ECLGS)কা লোইননা খোঙজেল য়াংনা রিকভর তৌরকখি অমসুং প্রি-কোবিদ লেবেলশিংগা নক্কনা লৈবা ঙমখি। মার্চ'21গী কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্রেরীশিং অসি প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদগী 32% হেনখি; মসিগী চাউনা হেনগৎপা অসি 2nd ৱেবনা শাফু পীখি, অদুবু জুন21দা প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদা চাউনা রিকভর তৌবা ঙমখি। % %

**এমএসএমই (MSME) ক্রেদিৎ আউতস্তেন্দিং অসি মার্চ'21দা ৱাইওৱাই (YoY) অসি 6.6% হেনগৎখি, লোইননা মাইক্রো সেগমেন্তনা খ্বাইদগী ৱাংনা 7.4% হেনগৎলি**

ক্রেদিৎ দিমান্দদা অমুক হন্না হেনগৎলকপা লোইননা চপ মান্নবা মপাঙ্গল লৈবা ক্রেদিৎ সপ্লাই অমসুং ইসিএলজিএস (ECLGS) সপ্পোর্ত অসিনা মতেং পাংশিনবনা এমএসএমই (MSME) সেক্তরগী ক্রেদিৎ আউতস্তেন্দিংগী শেনফম অসি লুপা করোর লাখ 20.21দা হেনগৎহনখি লোইননা মাইক্রো সেগমেন্তগী ৱাইওৱাই (YoY) গ্রোথ রেৎ 6.6% ওইরিবা অসি খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা 7.4%দা হেনগৎখি, মসিগী মতুং স্মোল সেগমেন্তদা 6.8% অমসুং মীদিয়ম সেগমেন্তদা 5.8% ওইখি।

**ন্যু-তু-বেঙ্ক [এনতিবি (NTB)] এমএসএমই (MSME)শিংদা লেন্দিং তৌবা অসি প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদা রিকভর তৌবা ঙমখি, অমরোমদা এগজিস্তিং-তু-বেঙ্ক [ইতিবি (ETB)]দা লেন্দিং তৌবা অসি মখা তানা বৌয়েন্ত ওইনা লৈখি**

প্রি-ওবিদ লেবেলশিংগা চাংদম্নবদা এনতিবি (NTB) এমএসএমই (MSME)শিংদা ক্রেদিৎ পীথবা অসি 90% হন্থখি, অমসুং মার্চ'21দা তপ্না-তপ্না ফগৎলক্তুনা প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদগী 5% হেনগৎলকখি। ECLGSনা মরম ওইদুনা জুন'20দা ইতিবি (ETB) এমএসএমই (MSME)শিং দা ক্রেদিৎ দিসবর্সমেন্ত অসি 75% হেন্না হেনগৎখি।

**সরকার অমসুং রিগুলেতরনা পোলিসী লেবেলদা খোঙথাংশিং লৌখৎপনা দিসেম্বর'21 ফাওবদা এমএসএমই (MSME)দা ক্রেদিৎ দাউন গ্রেদশিং লাকশিনবগী মমি তাখি, লোইননা মার্চ'21দা দাউন গ্রেদশিং অসি হেনগৎখি**

সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক [সিএমার (CMR)] দাউনগ্রেদশিংনা ওনবা এমএসএমই (MSME) ক্রেদিৎ পর্ফোর্মেন্স মুফমেন্ত অসি পোলিসী-লেবেলগী খোঙথাংশিংগা লোইননা দিসেম্বর'20 ফাওবা চাউনা কন্ত্রোল তৌখি। মোরাতোরিয়ম লৌথোকখিবা অমসুং দিলিঙ্কেন্সী রিকগ্নিসনগী গাইনদলাইনশিং ক্লেরিফিকেসন তৌবগা লোইননা, দাউনগ্রেদশিং অসি মার্চ'21গী ক্বাতরদা হেনগৎলকখি – মিদ-রিস্ক এমএসএমই (MSME)শিংগী মশিংদা ৱাংখৎহল্লকখি।





**লেন্দরশিংগী মরক্তা লৈরিবা রিস্ক এপেতাইত অসি প্রি-পেন্দেমিক লেবেলশিংদা হল্লক্লে।**

ইসিএলজিএস (ECLGS)কী 100% ক্রেদিৎ গরেন্তীনা ঙাকলৌ পীবগা লোইননা লেন্দর পুন্নমক্তা এপ্রুবেল রেৎশিং হেনগৎখ্রে। সিএমআর (CMR)না শিয়র তৌবা ওরিজিনেসনশিং অসিনা লাইচৎ অসি হৌরকপা মতমদা হায় রিস্ক সেগমেন্ত সিএমআর (CMR)7-10গী শীয়র অসি হন্থখি অমসুং লো-রিস্ক সেগমেন্ত সিএমআর (CMR)1-3 অসি হেনগৎখি হায়না উৎখি। অদুবু, হৌজিক সিএমআর (CMR)না দিস্ত্রিব্যুৎ তৌরিবা ওরিজিনেসনশিং অসি প্রি-কোবিদ-19 লেবেলশিংগা চপ মান্নরি।

**লেন্দরশিংনা হৌখিবা থা 12 অসিদা পেমেন্তশিং পীথোকহৌদবা এমএসএমই (MSME)শিংদা শেল পীনবা হেন্না হোৎনরি।**

জনুৱারীদগী মার্চ'21 দা এমএসএমই (MSME) লেন্দিংদগী শেল পুখিবা বোরোৱর 29%দি হৌখিবা থা অহুম অসিদা পেমেন্ত অমদগী হেন্না পীথোকহৌদে। জনুৱারী'20দগী মার্চ'20 অসিগী চপ মান্নবা প্রপোর্সন অসি 21%দা লৈখি, মসিনা পেমেন্ত পীথোকহৌদবা এমএসএমই (MSME)শিংদা লেন্দরশিংগী এসেপ্তেন্স হেনগৎলক্লি হায়বা তাক্লি।

**ক্রেদিৎ গ্রোথ ৱাংবনা মরম ওইদুনা MSME ফোর্তফোলিওশিংগী এনপিএ (NPA) রেৎশিং অসি স্তেবল ওইরি।**

এমএসএমই (MSME) সেক্তরদা ক্রেদিৎ কী ইনফ্লো চাউনা লাকপা অমসুং সরকার অমসুং রিগুলেতরশিংনা পাইখৎপা তোঙান-তোঙানবা তেংবাং পীবগী থৌশিলশিংগা লোইননা মার্চ'20গী 12.6% ওইখিবা অদুগা মার্চ'21দা এমএসএমই (MSME)শিংগী এনপিএ (NPA) রেৎশিং অসি 12.5%দা কন্ত্রোল তৌখি। অদুম ওইনমক, মার্চ'21গী এনপিএ (NPA) রেৎশিং অসি ক্রেদিৎ দাউনগ্রেদশিংগা পুনশিন্দুনা দিসেম্বর'21দগী হেন্না ৱাংই।

## এম.এস.এম.ই.(MSME) লেন্দিংগী ক্রেদিৎ গ্রোথ

ৱাই.ও.ৱাই.(YoY) গ্রোথ রেৎ 6.6% ওইবগা লোইননা মার্চ'21দা ভারতকী অপুনবা ওন-বেলেন্সশীৎ কম্মর্সিএল লেন্দিং এক্সপোজ অসি লুপা করোর লাখ 74.36 ওইখি। ৱাই.ও.ৱাই.(YoY) গ্রোথ রেৎ 6.6% ওইবগা লোইননা মার্চ'21 ফাওবদা এম.এস.এম.ই. (MSME) সেগমেন্তগী ক্রেদিৎ এক্সপোজর অসি লুপা করোর লাখ 20.21 ওইখি অমসুং এম.এস.এম.ই. (MSME)লেন্দিং 1গী সবসেগমেন্ত পুন্নমক্তা মসিগী ক্রেদিৎ গ্রোথ অসি উবা ফংখি।

### *এগজিবিৎ1: ওন বেলেন্স-শীৎ কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ এক্সপোজর (লুপা লাখ করোরদা)*

| | য়াম্না অপীকপা <লাখ 10 | মাইক্রো1 লুপা লাখ 10-50 | মাইক্রো 2 লুপা লাখ 50 - করোর 1 | অপীকপা লুপা করোর 1-10 | মীদিয়ম 1 লুপা করোর 10-25 | মীদিয়ম 2 লুপা করোর 25-50 | অচৌবা > লুপা করোর 50 | অপুনবা |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| মার্চ'19 | 0.86 | 2.18 | 1.49 | 7.44 | 3.65 | 22.96 | 54.10 | 72.68 |
| জুন'19 | 0.86 | 2.14 | 1.47 | 7.38 | 3.58 | 2.88 | 53.77 | 72.09 |
| সেপ্তেম্বর'19 | 0.88 | 2.20 | 1.50 | 7.42 | 3.58 | 2.87 | 53.27 | 71.72 |
| দিসেম্বর'19 | 0.92 | 2.25 | 1.52 | 7.54 | 3.61 | 2.86 | 53.39 | 72.10 |
| মার্চ'20 | 0.96 | 2.31 | 1.56 | 7.64 | 3.65 | 2.85 | 54.93 | 73.88 |
| জুন'20 | 0.94 | 2.27 | 1.52 | 7.51 | 3.65 | 2.85 | 55.06 | 73.81 |
| সেপ্তেম্বর'20 | 0.93 | 2.34 | 1.59 | 7.84 | 3.73 | 2.91 | 50.33 | 69.65 |
| দিসেম্বর'20 | 0.97 | 2.37 | 1.61 | 7.95 | 3.80 | 2.94 | 52.06 | 71.70 |
| মার্চ'21 | 1.02 | 2.47 | 1.67 | 7.15 | 3.88 | 3.00 | 54.15 | 74.36 |
| **ৱাই-ও-ৱাই (Y-o-Y)** গ্রোথ | **6.3%** | **6.9%** | **7.1%** | **6.7%** | **6.3%** | **5.3%** | **-1.4%** | **0.6%** |

এফৱাই (FY) 2021দা এমএসএমই (MSME) সেক্তরদা লুপা করোর লাখ 9.5 রোম ওইগদবা লোনশিং লৈবাক অসিনা পীথখি, হায়রিবা অসি মমাংগী চহি এফৱাই (FY) 2020দা লুপা করোর লাখ 6.8 ওইখিবা অদুদগী হেন্না ৱাংখি। 2021দা এমএসএমই (MSME) লেন্দিংদা চাউনা হেনগৎখিবা অসি ইসিএলজিএস (ECLGS)কী আত্মনির্ভর ভারত স্কীমনা লেন্দরশিংদা ক্রেদিৎ গরেন্তী 100% পীখিবনা থৌগৎখিবনি।

### *এগজিবিৎ 2: দিসবর্স তৌখিবা শেনফমশিং (লুপা করোর লাখতা)*

| | মাইক্রো <₹ করোর 1 | স্মোল ₹ করোর1-10 | মীদিয়ম ₹ করোর 10-50 | অপুনবা |
|---|---|---|---|---|
| এপ্রিল. '19-জুন'19 | 0.33 | 0.57 | 0.55 | 1.45 |
| জুলাই '19-সেপ্তেম্বর'19 | 0.42 | 0.65 | 0.61 | 1.69 |
| ওক্তোবর'19-দিসেম্বর '19 | 0.42 | 0.68 | 0.62 | 1.72 |
| জনুৱারী'20-মার্চ'20 | 0.44 | 0.74 | 0.73 | 1.91 |
| এপ্রিল'20-জুন'20 | 0.43 | 0.83 | 0.69 | 1.95 |
| জুলাই '20-সেপ্তেম্বর'20 | 0.58 | 1.09 | 1.00 | 2.67 |
| ওক্তোবর'20-দিসেম্বর'20 | 0.52 | 0.97 | 0.92 | 2.41 |
| জনুৱারী'21-মার্চ'21 | 0.52 | 0.97 | 0.95 | 2.45 |

[1]এনতিতী লেবেলদা এগ্রিগেৎ তৌবা ক্রেদিৎ এক্সপোজরদা য়ুক্ষম ওইরগা কম্মর্সিএল লোনশিং ক্লাসিফাইদ তৌবা, য়াম্না অপীকপা:<লাখ 10;মাইক্রো 1: লাখ 10-50; মাইক্রো 2 : লাখ 50- করোর 1;স্মোল:≥করোর 1 > করোর 10;মীদিয়ম 1: ≥ করোর 10> করোর 25; মীদিয়ম 2: ≥ করোর 25> করোর 50; লার্জ ≥করোর 50। মাইক্রো সেগমেন্তদা য়াম্না অপীকপা, মাইক্রো 1 অমসুং মাইক্রো 2 সেগমেন্তশিং অমসুং মীদিয়ম সেগমেন্তদা মীদিয়ম 1 অমসুং মীদিয়ম 2 য়াওরি।


কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্বেরীশিংগী ইন্দেক্স ভোল্যুমদা উৎলিবা ত্রেন্দনা এমএসএমই (MSME) সেক্তরদা ক্রেদিৎ দিমান্দ প্রি-কোবিদ-19 লেবেলশিংদা অমুক হঞ্জিল্লক্লে হায়না উৎখ্রে। এপ্রিল’20 অমসুং মে’20দা খঙহন-হন্থখিবা অসিগী মরমদি লৈবাক শিনবা থুংবদা লোকদাউন তৌখিবনা ওইরি অমসুং মসিগা মান্নবা ত্রেন্দ অমা ঐখোয়না অনিশুবা রেবকী মনুং এপ্রিল’21দা উবা ফংখি। অদুম ওইনমক ইনক্বেরীশিং অসি মে’21দগী তপ্পা-তপ্পা হেনগৎলক্লি।

*এগজিবিৎ 3: ইন্দেক্স তৌরবা ক্রেদিৎ ইনক্বেরী ভোল্যুমশিং*




ইসিএলজিএস(ECLJS) হৌদোকখিবদগী হৌনা ক্রেদিৎ ওরিজিনেসন্দা অপতিক লাকপা উবা ফংখি। ইন্দেক্সিংগী বেজলাইন ওইনা লৌরিবা জনুবারী’20গা চাংদম্নবা মতমদা ঐখোয়না জনুবারী’20দগী ক্রেদিৎ ওরিজিনেসনশিংগী গ্রোথ চাউনা লাকপা উবা ফংখি।

*এগজিবিৎ 4: শেনফমগী মতুং ইন্না এমএসএমই (MSME) গী ইন্দেক্স তৌরবা ওরিজিনেসনশিং*




# বোরোৱর মখলশিংগী ক্রেদিৎ এক্তিবিতী

লোন পীথখিবা বোরোৱরশিং অসি মখোয়গা লেন্দরশিংগা হান্না লৈনরিবা মরীদা য়ুক্ষম ওইরগা মখা তানা খাইদোকই। লেন্দরশিংগা হান্নদগী কম্মর্সিএল ক্রেদিৎকী মরী লৈনবা বোরোৱরশিং অসি এগজিস্তিং-তু-বেঙ্ক [ইতিবি (ETB)] হায়না খঙনৈ। মশাগী লেন্দরশিংগা নৎত্রগা অতে অতোপ্পা লেন্দরশিংগা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎকী মরী লৈনদবা বোরোৱরশিং অসি ন্যু-তু-বেঙ্ক [এনতিবি (NTB)] হায়না খঙনৈ।

ইসিএলজিএস (ECLGS) স্কীমগী দিজাইন্না মপুং ওইনা মরম ওইরগা ইতিবি (ETB)গী ওইনা অহৌবদা রিবাউন্দ তৌরকপা উবা ফংখি, মতমগা ইরোইননা এনতিবি (NTB)দসু হেনগৎলকপা উবা ফংখি। প্রি-কোবিদ লেবেলশিংগা চাংদম্নবদা এপ্রিল'20দা এনতিবি এমএসএমই (NTB MSME)শিংদা পীবা ক্রেদিৎ অসি হন্থরকখি অমসুং মার্চ'21দা তপ্পা-তপ্পা হেনগৎলক্তুনা প্রি-কোবিদ লেবেলশিং অসিদগী হেনগৎখি। ইসিএলজিএস (ECLGS)না মরম ওইদুনা জুন'20দা ইতিবি এমএসএমই (ETB MSME)শিংদা পীথবা ক্রেদিৎ অসি হেনগৎলক্তুনা প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদগী শরুক অনি হেনগৎখি অমসুং মসিদগী হৌদুনা প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদগী হেনবা ঙমখি।


## *এগ্জিবিৎ 5: বোরোৱর মখলনা উৎপা ইন্দেক্স তৌরবা ওরিজিনেসন বেলেন্সশিং*




বোরোৱরশিংগী সাইজকী মতুং ইন্না ওরিজিনেসনদা য়েংবদা ঐখোয়না লৈবাক শিনবা থুংনা তৌখিবা লোকদাউন্না খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা মাইক্রো সেগমেন্তদা লৈরিবা অনৌবা ওরিজিনেসনশিং অসি ফগৎলকপা অমসুং প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদগী হেন্না ৱাংবা উবা ফংখি। চপ মান্নবা ত্রতেন্দ অসি এএসএমই (MSME)শিংগী স্মোল অমসুং মীদিয়ম সেগমেন্তশিংদসু উবা ফংখি।




*এগজিবিৎ 6: এমএসএমই (MSME) সেগমেন্তনা উৎখিবা ইন্দেক্স তৌরবা ওরিজিনেসন বেলেন্সশিং*




## রিজনগী ক্রেদিৎ এক্তিবিতী

জিওগ্রাফীশিংদা হেন্না কুপথনবা য়েংদুনা মেত্রো রিজনশিংগা চাংদম্নবা মতমদা জুন'20দা দিসবর্সমেন্তদা খঙহেন-হেনগৎলকখিবনা অর্বান, সেমি-অর্বান অমসুং রুরেল রিজনশিংগী দিসবর্সেল ত্রেন্দ অসি চপ মান্নখি। অদুবু অপুনবগী ওইনা রিজন পুন্নমক ইসিএলজিএস (ECLGS)কী থৌরাংদগী কান্নবা ফংবা ঙমখি। হন্দক থা খরা অসিদা রিজন পুন্নমক্তা রিবাউন্দ তৌরকপগী খুদম-চাংদমশিং উবা ফংখি অমসুং প্রি-কোবিদ লেবেলশিং লানখ্রে।


*এগজিবিৎ 7: শেনফমগী মতুং ইন্না এমএসএমই (MSME) লোনশিংগী রিজন-রিজনগী ওইবা ইন্দেক্স তৌরবা ওরিজিনেসন*



# ক্রেদিৎ পর্ফোর্মেন্স অমসুং হেল্থ চেক

সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক (CMR) অসি মথংগী থা 12দা এনতিবি (NTB) ওইরকপা য়াবা এমএসএমই (MSME)গী ওইথোকপা অদু তাক্লিবা এমএসএমই (MSME)গী ক্রেদিৎ রিস্ক রেঙ্ক অমনি। সিএমআর (CMR) অসি লুপা করোর ৫০ ফাওবগী এগ্রিগেৎ কম্মর্সিএল বোরোয়িং লৈবা এমএসএমই (MSME)দা চৎনবা য়াই। হৌজিক্কী ওইনা এমএসএমই (MSME) মিলিয়ন 9 হেন্না সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক (CMR)গীদমক ইলিজিবল ওই। সিএমআর (CMR)না অন্দর্রাইতিংগী তর্নঅরাউন মতম অসি হন্থহন্দুনা রিস্ক মেনেজমেন্ত প্রোসেস স্তেন্দর্দাইজ তৌদুনা ওবজেক্তিব লেন্দিং য়াহল্লি। পোর্তফোলিয়ো মেনেজমেন্তগী ওইবা রাখল্লোন অমগী মতুং ইন্না সিএমআর (CMR)না মতম খরা রেঙ্ককী স্লিপ পেজশিং য়েংদুনা রুল্স-বেজ, বল্ক রিন্যুরেলশিং অমসুং পোর্তফোলিয়ো মোনিতর তৌবা য়াহল্লি।

*এগ্জিবিৎ 8: সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক (CMR) প্রিদিক্তিব মোদেল*





মমাং চহিদা তোঙান-তোঙানবা লোকদাউনগী সাইকলশিং অমসুং অনলোক ফেসশিংনা মরম ওইদুনা শেন্মীৎলোন্দা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অকাইবা থোকহনবা লোইননা দিমান্দদা হন্থরকপা, থবক তৎপা অমসুং ইকনোমিক দিগ্রোথসু উবা ফংখি। ইসিএলজিএস (ECLGS)কী আত্মনির্ভর ভারত স্কীম, মোরাতোরিয়ম অমসুং দিলিনক্বেন্সী রিকগ্নিসনগী গাইদলাইনশিং য়াওনা মতম অসিগী মনুংদা রিগ্যুলেতরীগী থৌশিল কয়া লৈখি – মসিনা মরম ওইদুনা রিস্ক মোদেল পুন্নমক কুপ্না মোনিতর তৌবা মথৌ তাখি। 2017দগী হৌদুনা সিআইবিআইল (CIBIL) এলএসএমই (MSME)রেঙ্ক অসি লেন্দরশিংনা পাকশন্না শীজিন্নখি অমসুং মসিনা এমএসএমই (MSME)শিংগী মরক্তা অফ-ফত্তা খন্দোকপা ঙম্বখি, হায়রিবা অসি অৱাবা তাখিবা মতম অসিদসু কুপ্না য়েংশিনখি। এমএসএমই (MSME)শিংগী মরক্তা রিস্ক খঙদোকপা ঙম্বগী মতিক-ময়াই চেল্লিবা সিএমআর (CMR) অসি কোবিদনা মরম ওইদুনা শেন্মীৎলোন্দা চৈথেং পীরিঙৈ মতমদসু মখা তানা মপাঙ্গল কনখি হায়বা অসি প্রি অমসুং পোস্ত কোবিদকী সিএমার (CMR) রেঙ্ককী খেনবা এগজামিন তৌরিবা মখাদা উৎলিবা পিদি (PD) কর্ফ অসিনা তাক্লি। প্রি-কোবিদকী ওইনা, মার্চ'19গী এন্তিতীশিংগী সিএমআর (CMR) রেঙ্ক অসি মথংগী থা 12গী ইভর 90+দিপিগী পর্ফোর্মেন্স দিফিনিসন[2] গী মায়োক্তা মেপ তৌখি। পোস্ত-কোবিদকী ওইনা, মার্চ'20গী এন্তিতীশিংগী সিএমআর (CMR) রেঙ্ক অসি মথংগী থা 12গী ইভর 90+দিপিগী পর্ফোর্মেন্স দিফিনিসনগী মায়োক্তা মেপ তৌখি।

[2]পর্ফোর্মেন্স অসি থা 12গী 90+ ইভরগী স্তেন্দর্দ দেফিনিসন শীজিন্নদুনা ইভাল্যুৎ তৌই। দিফিনিসনদা পীরিবা ইভর অসিনা করিগুম্বা থা 12গী মনুংদা তানফম অমা হেক্তদা একাউন্ত অমনা 90+দিপিগী স্তেতস অসি য়ৌবা তারবদি মদু "ফত্তে" হায়না লৌগনি হায়না তাক্লি।



*এগজিবিৎ 9: প্রি-কোবিদ অমসুং পোস্ত-কোবিদ ৱেব 1দা লৈবা সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক*



## রিস্ক প্রোফাইলদা ত্রাঞ্জিসন


বোরোৱরশিংগী ওইনা মার্চ'20দগী হৌদুনা মার্চ'21 ফাওবা চহি অমগী মতম অসিদা সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক ত্রাঞ্জিসন অসি মোনিতর তৌখি, অমসুং সিএমআর (CMR) 1-3, সিএমআর (CMR) 4-5, সিএমআর (CMR) 6-7 অমসুং সিএমআর (CMR) 8-10গী রেঙ্ক বক্কেৎশিংগী ত্রাঞ্জিসন অসি মোনিতর তৌখি। মার্চ'20দা সিএমআর (CMR) 1-3দা লৈরম্বা বোরোৱর 32%দি মার্চ'21দা হন্থবা রেঙ্ক বক্কেৎশিংদা দাউনগ্রেদ তৌবা উবা ফংখি, অমসুং মার্চ'20দা সিএমআর (CMR) 4-5দা লৈরম্বা বোরোৱর 21%দি মার্চ'21দা অৱাংবা রেঙ্ক বক্কেৎশিংদা অপগ্রেদ তৌবা ঙমখি।

*এগজিবিৎ 10: মার্চ'20 দগী মার্চ'21ফাওবদা সিএমআর (CMR)গী ত্রাঞ্জিসন মেত্রিক্স*

| | | মার্চ'21দা লৈবা সিএমআর(CMR) | | | | দাউনগ্রেদশিং | অপগ্রেদশিং |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | CMR 1-3 | CMR 4-5 | CMR 6-7 | CMR8-10 | | |
| মার্চ'20দা লৈবা সিএমআর (CMR) | CMR 1-3 | 68% | 21% | 7% | 4% | 32% | |
| | CMR 4-5 | 21% | 53% | 16% | 10% | 26% | 21% |
| | CMR 6-7 | 6% | 22% | 57% | 15% | 15% | 28% |
| | CMR 8-10 | 1% | 3% | 18% | 78% | | 22% |


রিস্ক বক্কেৎশিংদা সিএমআর (CMR)গী ক্বাতর ওইনা কম্পেরিজন অমা তৌবা অসিনা হৌখিবা ক্বাতরশিংদা বক্কেৎ পুন্নমক্তা দাউনগ্রেদ লাকপা হেনগৎলকখি হায়না উৎলি, মসিনা মরম ওইদুনা রিস্ক হেনগৎলক্লি হায়না উৎলি। দাউনগ্রেদশিং অসি সিএমআর (CMR) 1-3না খ্বাইদগী ৱাংই মতুংদা সিএমআর (CMR) 4-5 লৈ।

*এগজিবিৎ 11: সিএমআর (CMR)গী মতুং ইন্না এমএসএমই (MSME)শিংদা দাউনগ্রেদশিং লাকপা*



মরম অসিনা মিদ-রিস্ক বোরোৱরশিংগী মশিং অসি খোঙজেল য়াংনা হেনগৎলকখি। মার্চ’20দা সিএমআর (CMR) 4-6দা বোরোৱর ৪৮% লৈরম্বা অদুগা চাংদম্নবা মতমদা মার্চ’21 ফাওবদা বোরোৱর 52% ওইরে। সিএমআর (CMR) 1-3গী লো-রিস্ক সেগমেন্তদগী সিএমআর (CMR) 4-6গী মিদ-রিস্ক সেগমেন্তদা ত্রাঞ্জিসন লাকখ্রে। অদুম ওইনমক সিএমআর (CMR) 4-6গী মিদ-রিস্ক সেগমেন্ত অসি অদুমক 30%দা লেংদনা লৈরি।

### *এগজিবিৎ 12: সিএমআর (CMR)গী মতুং ইন্না এমএসএমই (MSME)গী পোর্তফোলিয়ো দিস্ত্রিব্যুসন তৌবা*




# অফনা বোরোৱরশিংগী খেন্নবা খঙদোক্নবা চৎনরিবা এলগোরিথম

হৌখিবা ক্বাতরশিংদা – মরু ওইনা মীদিয়ম রিস্ক অমসুং হায় রিস্ক সেগমেন্তশিংদা ক্রেদিৎ বেলেন্সশিংদা চাউনা হেনগৎলকপা অসিনা পোর্তফোলিয়ো মোনিতর তৌনবা কেস অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনখি। ক্রেদিৎবিজন® (CV) য়ুতিলাইজেসন এলগোরিথম্স শীজিন্নদুনা থা 12গী মতমগী ওইনা কেশ ক্রেদিৎ অমসুং ওভরড্রাফ লোনগুম্বা রিভোলবিং ক্রেদিৎ ফেসিলিতীশিংগী ক্রেদিৎ বেলেন্সশিংদা চৎনরিবা য়ুতিলাইজেসন অসি এনলাইজ তৌই। মসিনা ক্রেদিৎ ব্যুরো দেতা মখা তানা দিসএগ্রিগেসন তৌবা ঙমহল্লি অমসুং সিএমআর (CMR)গা পুন্না শীজিন্নবা মতমদা মসিনা হেন্না ময়েক শেংবা রিস্ককী খেন্নবা অমা পীবা ঙম্মি।


সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্কশিংগী মনুংদা য়ুতিলাইজেসন্দা খাইদোকপা অসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা য়ুতিলাইজেসন সেগমেন্তদা (চাংচৎতা য়ুতিলাইজেসন তৌবা >78%) লৈবা এমএসএমই (MSME) এন্তিতীশিং অসি সিএমআর (CMR) 1-3 রেঙ্ক বোরোৱরশিংগী শুপ্পগী 20% ওইরি অমরোমদা সিএমআর (CMR) 6-7 রেঙ্ক বোরোৱরশিংদা মশিং অসি 60% য়ৌই। অসুম্না, চৎনরিবা য়ুতিলাইজেসন এলগোরিথম শীজিন্নদুনা অফবা রেঙ্কশিংগী মনুংদা স্ত্রেস পীরিবশিং খঙদোকপা ঙমহল্লি লোইননা মীদিয়ম-রিস্ক বোরোৱরশিংগী মরক্তা অফবা বোরোৱর সেগমেন্ত তৌহল্লি।

*এগজিবিৎ 13: পোর্তফোলিয়ো লেবেল: এভরেজ এগ্রিগেৎ য়ুতিলাইজেসন (মার্চ’21)*




বোরোরশিংগী প্রি- অমসুং পোস্ত-কোবিদ রেব 1দা ক্রেদিৎ স্তেন্দিং য়েংনবা, বোরোৱরশিংগী প্রি-রেব 1(মার্চ’20)গী চাংচৎ ওইনা লৈরিবা য়ুতিলাইজেসন লেবেলশিং অসি চাংদম্নবদা, মার্চ’20দা বোরোৱরশিংগী মশিং য়াম্লবা প্রপোর্সন অসি হেন্না ৱাংবা য়ুতিলাইজেসন সেগমেন্ত (চাংচৎতা য়ুতিলাইজেসন তৌবা >78%)দা লৈরমখি। এমএসএমই (MSME) য়ুতিলাইজেসন লেবেলশিং অসি রেব 2দা য়েংবা মতমদা এমএসএমই (MSME)শিং অসি রেব 1গা চাংদম্নবদা স্ত্রকচরগী ওইনা হেন্না মপাঙ্গল কনখি।

*এগজিবিৎ 14: পোর্তফোলিয়ো লেবেল: এভরেজ এগ্রিগেৎ য়ুতিলাইজেসন (মার্চ’20)*





এমএসএমই (MSME) এন্তিতীশিংগী সিএমআর (CMR) অমসুং এগ্রিগেৎ এভরেজ রিভোলবিং য়ুতিলাইজেসন মেপ তৌখি অমসুং বেদ রেৎ উবা ফংখি। বেদ রেৎ হায়বা অসি মথংগী থা 12দা ইভর 90+ দেস পাস্ত দ্যু (DPD) উবা ফংবা অদুবুনি। রিস্ককী খেন্নবা খঙদোক্লবা এভরেজ রিভোলবিং য়ুতিলাইজেসন শীজিন্নদুনা ঐখোয়না চপ মান্নবা রিস্ক বক্কেৎতা খরা হেন্না ফবা বোরোৱরশোং খঙদোকপা ঙমগনি। মীদিয়ম রিস্ক এমএসএমই (MSME)শিং (CMR 4–5)গী ওইনদি য়ুতিলাইজেসন 78%দগী নেম্বা এন্তিতীশিংগী অসি লেংগনদে, দিফোল্ত রেৎ 8% উবা ফংই, অমরোমদা চপ মান্নবা রিস্ক সেগমেন্ত অসিদা য়ুতিলাইজেসন 78%দগী হেনবা এন্তিতিশিংনা শরুক অনিগী চাং ওইদুনা বেদ রেৎ 13% উৎলি। সিএমআর (CMR) 6-7দা লৈরিবা এন্তিতিশিংদসু য়ুতিলাইজেসন হেনগৎলকপদা বেদ রেৎ শরুক অনি ওইবগী চপ মান্নবা মওং অসি উবা ফংখি। মসিনা সিএমআর (CMR) 4-7গী মরক্তা লৈবা সেগমেন্ত বোরোৱরশিংদসু লো-রিস্ক বোরোৱরশিং খনবা ঙমহল্লি।

ক্রেদিৎবিজন্না মতেং পাংদুনা অমসুং এলগোরিথম্সনা সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ককী অহেনবা  ৱারোল খঙহল্লি অমসুং লেন্দরশিংনা বোরোৱরশিংগী তোঙান-তোঙানবা দাইমেন্সনশিংদা লুন্না চংশিনবা ঙমহল্লি, অসুম তৌদুনা লেন্দরশিংনা সিএমআর (CMR)গী কস্তম পোলিসীশিং শেম্বা ঙমহল্লি।


### *এগজিবিৎ 15: সিএমআর (CMR)গী মতুং ইন্না বেদ রেৎ*

**সিআইবিআইএল এমএসএমই** (CIBIL MSME) **রেঙ্ক** (CMR)

| Average Aggregate Utilization (12m) | CMR1-3 | CMR4-5 | CMR6-7 | CMR8-10 | Overall |
|---|---|---|---|---|---|
| Up-to 50□ | 3% | 7% | 11% | 68% | 12% |
| 50-78□ % | 3% | 8% | 12% | 69% | 15% |
| Above 78□ % | 4% | 13% | 24% | 81% | 21% |
| Overall % | 3% | 10% | 19% | 77% | 15% |
| | | | | | |

জুন'20 ফাওবা এমএসএমই (MSME) লেন্দিংদা অপুনবা এনপিএ (NPA) রেৎ অসি স্তেবল ওইনা অদুমক লৈখি অমসুং সেপ্তেম্বর'20দা সবসেগমেন্ত পুন্নমক্তা হন্থরকখি। মার্চ'21 ফাওবা স্মোল অমসুং মীদিয়ম সেগমেন্তশিংগী ওইনদি অদুমক স্তেবল ওইখি। এমএসএমই (MSME)গী সবসেগমেন্তশিংগী মনুংদা এনপিএ (NPA) রেৎ অসি অচৌবা তিকেৎ সাইজশিং লৈবা সবসেগমেন্তশিংদগী বাংখি। মাইক্রো সেগমেন্তগী ওইনা দিসেম্বর'20গা য়েংনবদা মার্চ'21দা এনপিএ (NPA) রেৎতা অমুক হন্না হেনগৎলকখি। সবসেগমেন্তশিংদা এনপিএ (NPA) রেৎতা হন্থরক্লিবা অসি ইসিএলজিএস (ECLGS)তগী ক্রেদিৎ সপ্লাই বাংনা লাকপনা ঙমহনখি। রিগুলেতরী/লিগেল গাইদলাইনশিং থোরকপগী মতুং ইন্না এনপিএ (NPA) রেৎতা অহোংবা লাকপা য়াই।


*এগজিবিৎ16: সেগমেন্ত-সেগমেন্তগী ওইনা এনপিএ (NPA) রেৎ*



## লেন্দরনা শেম্বা লালোংশিংদা লাকপা অহোংবশিং


জুন 2020গী মতুংদা আউতস্তেন্দিং বেলেন্সশিংদা গ্রোথ লেপ্তনা লাক্লি।

*এগজিবিৎ 17: ইন্দেক্স তৌরবা ক্রেদিৎ আউতস্তেন্দিং বেলেন্সশিং*




পিএসয়ু (PSU)শিংদা শোকনদুনা প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংনা মার্কেৎ শিয়রদা পর্সেন্তেজ পোইন্ত খরা মখৈদি ফংবা ঙমখি। হায়রিবা অসি এনবিএফসি (NBFC)শিংগী ওইনদি অহোংবা অমত্তা লৈতে।

*এগজিবিৎ 18: লেন্দরশিংগী প্রোপোর্সনেৎ সিয়র – অনৌবা ওরিজিনেসনশিং*





*মার্কেৎ শিয়র এনলাইসিস্তা য়াওদবা অতৈ লেন্দরশিং



## লোনশিংগী এভরেজ তিক্কেৎ সাইজতা লাকপা অহোংবা


ইতিবি (ETB)গী এভরেজ লোন সাইজ অসি মার্চতগী সেপ্তেম্বর 2020গী মতমগী মনুংদা হন্থরকখি, মসিগী মতুংদা প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদা অমুক হন্না ত্রেন্দিং তৌবা হৌখি। এনতিবি(NTB) সেগমেন্তদা এভরেজ তিক্কেৎ সাইজতা হন্থরকপা উবা ফংখি।

*এগজিবিৎ **19:** বোরোৱরগী মখলগী এভরেজ লোন সাইজ – অনৌবা ওরিজিনেসনশিং*




লেন্দর গ্রুপ পুম্নমক্কী ওইনা এমএসএমই (MSME) লোন ওরিজিনেসনশিংগী এভরেজ তিক্কেৎ সাইজ অসি হন্থখি। প্রাইবেৎ বেঙ্কশিং অমসুং এনবিএফসি (NBFC)শিংনা প্রি-কোবিদ 19 তিক্কেৎ সাইজতা তপ্না-তপ্না হঞ্জিল্লক্লি, পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংদি অদুমক লো তিক্কেৎ সাইজতা লৈরি।


*এগজিবিৎ 20: বোরোৱরগী মখলগী এভরেজ লোন সাইজ – অনৌবা ওরিজিনেসনশিং*






অনিশুবদা, ইসিএলজিএস (ECLGS)না ক্রেদিৎ গরেন্তী 100% ফংহনবগা লোইননা লেন্দর পুম্নমক্তা এগ্রুবেল রেৎশিং হেনগৎলকখি। জুন'20গী এগ্রুবেল রেৎশিংদা অহানবা ওইনা হাইগৎলক্লবা মতুংদা প্রাইবেৎ বেঙ্কশিং অমসুং এনবিএফসি (NBFC)শিংনা তপ্না-তপ্না প্রি-কোবিদ 19 লেবেলশিংদা হঞ্জিল্লক্লি।

*এগজিবিৎ 21: লেন্দর কেতগোরীগী মতুং ইন্না ইন্দেক্স তৌরবা এগ্রুবেল রেৎ*





ইসিএলজিএস (ECLGS)না মরম ওইরগা এপ্রিল-ওগস্ত 2020দা ৱাংখৎলুরবা মতুংদা প্রাইবেৎ সেক্তর বেঙ্কশিংগী এগ্রুবেল রেৎ অসি প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদা হঞ্জিল্লক্লে। মার্চ-এপ্রিল 2020গী মনুংদা অহানবগী হন্থরুরবা মতুংদা এনবিএফসি (NBFC)শিংগী ওইনসু চপ মান্নরি। পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংগী এগ্রুবেল রেৎশিংদা খ্বাইদগী ৱাংখৎলকপা উবা ফংখি অমসুং হৌজিক্কা হন্থরক্লি।

### *এগজিবিৎ 22: লেন্দর কেতগোরীগী মতুং ইন্না ইন্দেক্স তৌরবা ওরিজিনেসন বেলেন্সশিং*




2020গী অকোনবা ক্বাতরদা হন্থখ্রবা মতুংদা লেন্দর পুম্নমক্কী ওরিজিনেসন বেলেন্সশিংদা লেপ্তনা হেনগৎলকখি – মার্চ 2021দা প্রি-কোবিদ লেবেলশিংদা হঞ্জিল্লকখি।


### *এগজিবিৎ 23: লেন্দর কেতগোরীগী মতুং ইন্না ইন্দেক্স তৌরবা কম্মর্সিএল ক্রেদিৎ ইনক্রেরীশিং*




লেন্দর মখল খুদিংমক্কা ইনক্রেরি গ্রোথ অসিদা লেপ্তনা হেনগৎলকপা উবা ফংখ্রে অমসুং প্রি-পেন্দেমিক ভোল্যুমশিং হেনখ্রে।


এপ্রুবেল রেৎশিং ৱাংবগী খ্বাইদগী ৱাংনা কান্নবা ফংলিবা অসি সিএমআর (CMR) 7-10 ওইবা হায়-রিস্ক সেগমেন্ত ওইরিবা এমএসএমই(MSME)শিংনি মতুংদনা সিএমআর (CMR) 1-3 লৈরি। জুন'20দা মখোয়গী এপ্রুবেল রেৎশিং অসি মখোয়গী প্রি-ওবিদ-19 লেবেলশিংগী শরুক অনি হেনগৎখি। মসিদগী হৌদুনা এপ্রুবেল রেৎশিং অসি লেপ্তনা হন্থরকখি।

*এগজিবিৎ 24: রিস্ক তায়রগী মতুং ইন্না ইন্দেক্স তৌরবা এপ্রুবেল রেৎ*





মরম অসিনা লাইচৎ কনখৎলকপা মতমগী মনুংদা মতম খরগী ওইনা কাখৎলুরবসু, রিস্ক এপেতাইত অসি প্রি-পেন্দেমিক লেবেলশিংদা অমুক হঞ্জিল্লকখি। সিএমআর (CMR)না শিয়র তৌবা ওরিজিনেসনশিংনা হায় রিস্ক সেগমেন্ত সিএমআর (CMR) 7-10 অসি হায়থরকখি অমসুং লো-রিস্ক সেগমেন্ত সিএমআর (CMR) 1-3 অসি লাইচৎকী অহৌবা মতমদা হায়গৎলকখি হায়না উৎখি। অদুবু হৌজিক সিএমআর (CMR)না পীরিবা ওরিজিনেসনশিংগী দিস্ত্রিব্যুসন অসি প্রি-কোবিদ-19 লেবেলশিংদা মান্নরক্লে।

*এগজিবিৎ 25: সিএমআর (CMR)গী মতুং ইন্না লৈরিবা এমএসএমই (MSME)শিংগী ওরিজিনেসনশিংগী দিস্ত্রিব্যুসন*



দিসেম্বর’20দা চাংদম্নবা মতমদা মার্চ’21দা লেন্দর পুম্নমক্কী ওইনা এমএসএমই (MSME) সেগমেন্তদা এনপিএ (NPA)শিং হেনগৎহনখ্রে। সেপ্তেম্বর’20দগী মার্চ’21 ফাওবা প্রাইবেৎ বেঙ্কশিংগী এনপিএ (NPA) রেৎশিং অসি লেংদনা অদুমক লৈখি। পব্লিক সেক্তর বেঙ্কশিংগী এনপিএ (NPA) রেৎশিং অসি সেপ্তেম্বর’20দা 17.0% ওইরম্বদগী দিসেম্বর’20দা 16.1%দা হন্থখি, অমসুং মার্চ’21দা 17.4%দা অমুক হন্না হেনগৎলকখি। এনবিএফসি (NBFC)শিংনা সেপ্তেম্বর’20দগী মার্চ’21 ফাওবা এনপিএ (NPA) রেৎশিংদা লেপ্তনা গ্রোথ লৈ হায়বা উৎখি। এনবিএফসি (NBFC)শিংগী এনপিএ (NPA) রেৎশিংদা হেনগৎলকপগী মরমশিংগী মনুংদা এমএসএমই (MSME) ক্রেদিৎ গ্রোথতা খ্বাইদগী ময়েক শেংনা তপথরকপা অসিনা ওইখি।

*এগজিবিৎ 26: এমএসএমই (MSME) সেগমেন্তদা লেন্দর গ্রুপকী লৈরিবা এনপিএ (NPA) রেৎশিং*




# ন্যু নোর্মেল: পোস্ত-কোবিদ ৰেব 1গী ওরিজিনেসনশিংগী বোরোৱর প্রোফাইল



শীংথানীংঙাই ওইনা খেন্নবশিং লৈবরা হায়বা খঙদোক্লবা পোস্ত-কোবিদ ৰেব 1দা ফন্দ ফংখিবা এন্তিতীশিংগী বোরোৱর প্রোফাইলশিংগা প্রি-কোবিদ ৰেব 1দা ফন্দ ফংখিবা এন্তিতীশিং চাংদম্নবা এনলাইজিস অমা পাঙথোকখি। ৱর্কিং কেপিতেল অমসুং তর্ম লোনগী অনৌবা ওরিজিনেসনশিং খক্তা লৌখৎখি – রিন্যুএল পুন্নমক লোইননা জিইসিএল (GECL) লোনশিং {ইসিএলজিএস (ECLGS)গী মখাদা লৈবা তো অপ লোনশিং} য়াওহনখিদে। বোরোৱরশিংগী ক্রেদিৎ করেক্তরিস্তিক্স অসি এনলাইজ তৌবনা, ক্রেদিৎ ওরিজিনেসনশিংদা য়াওবা অনৌবা পুন্নমক এনলাইসিস অসিদা য়াওহনদে। এনলাইসিস অসিগীদমক লুপা লাখ 1দগী লুপা করোর 1 ফাওবগী মনুংদা তৌখিবা সেঙ্কসনশিং য়াওহনখি। পোস্ত-কোবিদ ৰেব 1গী ওইনা অয়াবা পীরিবা মতম অসি জনুৱারী’21দগী মার্চ’21 ফাওবগী ওরিজিনেসনশিং অমসুং প্রি-কোবিদ ৰেব 1গী ওইনা জনুৱারী’20দগী মার্চ’20 ফাওবগী ওরিজিনেসনশিং ওইখি। জনুৱারী-মার্চ’21গী মতম অসি খনবগী মরমদি লোকদাউন-অনলোক্কী তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককশিংগী মতুংদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকখিবা মতম ওইখি অমসুং রিগ্যুলেতরীনা খুৎ থিংজিনবা হন্থখিবা মতমসু ওইখি।

# প্রি অমসুং পোস্ত-কোবিদতা ওইরিবা ক্রেদিৎকী মওং-মতৌশিং: সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক

*এগজিবিৎ 27: প্রি অমসুং পোস্ত কোবিদ রেব 1দা অনৌবা ওরিজিনেসনশিংগী লৈরিবা সিআইবিআইএল (CIBIL) এমএসএমই (MSME) রেঙ্ক*





পোস্ত-কোবিদ রেব 1দা হায়-রিস্ক এমএসএমই (MSME) এন্তিতীশিং [সিএমআর (CMR) 8-10]দা লৈবা অনৌবা ওরিজিনেসনশিংদা হন্থরকখি। হন্থরকখিবা অসি সিএমআর (CMR) 6–7দা ওরিজিনেসনশিং হেনগৎলকপনা ওফসেৎ তৌই, মসিনা তাকপদি লেন্দরশিংনা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিদা রিস্ক এপেতাইত হন্থরে হায়বনি। লোইননা, সিএমআর (CMR) 1–5দা ফন্দ ফংলিবা বোরোৱরশিংগী প্রপোর্সন অসি চপ মান্নরি, মসিনা সিএমআর (CMR)মা অফবা এন্তিতীশিংগী রিস্ক খঙদোকপা ঙম্বগী এবিলিতী লৈরি অমদি স্ত্রকচর ওইনা মপাঙ্গল কনবা বোরোৱরশিংনা মখা তানা ক্রেদিৎ ফংলি হায়না তাক্লি।



# প্রি অমসুং পোস্ত-কোবিদতা ওইরিবা ক্রেদিৎকী মওং-মতৌশিং: মিস পেমেন্তশিং

*এগজিবিৎ 28: অনৌবা ওরিজিনেসনশিংগা লোইননা এন্তিতীশিংগী মিস পেমেন্তশিংগী রেসিয়ো*

ক্রেদিৎবিজন এলগোরিথম মিস পেমেন্তসনা এমগেসএমই (MSME)শিংগী লৈরিবা মখোয়গী আউতস্তেন্দিং ওবলিগেসনশিংদা লৈরিবা পেমেন্তগী মওং-মতৌ অসি কেপচর তৌই। এনলাইসিস অসিগীদমক মিস পেমেন্তস রেসিয়ো এলগোরিথমনা এন্তিতীগী থা 12গী মিস পেমেন্তগী মওং মতৌ অদু কেপচর তৌই অমসুং মখোয়গী মমাংগী পেমেন্ত রেকোর্দ অদু লেন্দরশিংদা খঙহনবদা মতেং পাংই।







জনুৱারীদগী মার্চ’21দা লেন্দিং তৌখিবা এমএসএমই (MSME)গী বোরোৱে 20%না দ্যু লৈরিবা পেমেন্তশিংগী 33% হেন্না থীহৌদে হায়বদি হৌখিবা থা তরানিথোই অসিদা থা অহুমগী পেমেন্তগী মনুংদা পেমেন্ত অমদি দ্যু লৈ। চপ মান্নবা প্রপোর্সন অসি জনুৱারী’20দগী মার্চ’20 ফাওবদা 21% ওইখি। মসিনা পেমেন্ত থীহৌদবা এমএসএমই (MSME)শিংদা লেন্দরশিংনা ফন্দ থাদবা য়াবা হেনগৎলক্লি হায়না তাক্লি। পোস্ত-কোবিদ ৱেব 1দা পীমেন্ত ক্লীন ওইবগী রেকোর্দ লৈবা এমএসএমই (MSME) এন্তিতীশিংগী মশিং অসি শীংথানীংঙাই ওইনা হন্থরকখি, অমসুং মাংদা চংশিল্লি, মসিনা এমএসএমই (MSME)শিংগী স্ত্রেস লেবেলশিং খঙনবগী মরু ওইবা ইন্দিকেতর অমা ওইরবা য়াই।

# প্রি অমসুং পোস্ত-কোবিদতা ওইরিবা ক্রেদিৎকী মওং-মতৌশিং: য়ুতিলাইজেসন

ক্রেদিৎবিজন এলগোরিথম য়ুতিলাইজেসন্না থা 12গী মতমগী মনুংদা কেশ ক্রেদিৎ অমসুং ওভরড্রাফ লোনগুম্বা রিভোলবিং ক্রেদিৎ ফেসিলিতীশিংদা লৈরিবা এমএসএমই (MSME) এন্তিতীশিংগী য়ুতিলাইজেসন তৌবগী মওং-মতৌ অসি কেপচর তৌই।

*এগজিবিৎ 29: প্রি অমসুং পোস্ত কোবিদ রেব1 দা অনৌবা ওরিজিনেসনশিং য়াওবা এন্তিতীশিংগী লৈরিবা এভরেজ য়ুতিলাইজেসন*




এমএসএমই (MSME)শিংদা জনুৱারীদগী মার্চ’21 ফাওবদা তৌবা লেন্দিংদা 48%দি হৌখিবা থা 12দা এগ্রিগেৎ য়ুতিলাইজেসন লেবেল 78% হেনবা বোরোৱরশিং ওইখি; জনুৱারী’20দগী মার্চ’20গী চপ মান্নবা প্রপোর্সন অসি 54% ওইখি। মসিনা অনৌবা লোন ওরিজিনেসনশিংগী অচৌবা প্রপোর্সন অসি গ্রোথকীদমক ওইখি অমসুং স্ত্রেসনা ওইহনখিদে হায়না তাক্লি।

মিস পেমেন্তস অমসুং য়ুতিলাইজেসন অসিগুম্বা চৎনরিবা এলগোরিথমশিং অসিনা হেন্না গ্রেন্যুলর ওইবা লেবেল অমদা এমএসএমই (MSME)শিংগী ক্রেদিৎকী মওং-মতৌ কেপচর তৌবদা মতেং পাংই। মসিনা লেন্দরশিংনা অফবা এমএসএমই (MSME) এন্তিতীশিং থীদোক্নবা অমসুং ফন্দ তৌনবা মখোয়গী ক্রেদিৎ পোলিসীশিং অমসুং পোর্তফোলিয়ো মেনেজমেন্ত ফ্রেমৱর্কশিং মখা তানা হেনগৎহনদুনা মখোয়গী অহেনবা রিস্ক দিফরেনসিএসন ফংবা ঙমহল্লি।

©2021TransUnionCIBILLimitedAllRightsReserved

TransUnion CIBIL Limited
19th Floor, Tower 2, One World Centre,
Senapati Bapat Marg,
Elphinstone Road, Maharashtra 400013.